# অসাম অমসুং মেঘলায়াগী তাইনবদা থোকখিবা মুক্রো ফায়রিংগী থৌদোক বোর্দর ইস্যুগা মরী লৈনদে : হিমন্ত



গুৱাহাটি, নভেম্বর ২৪ (এজেন্সি):
হৌখিবা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা অসাম অমসুং মেঘলায়াগী অনীগী লোন্নবা শরুক্তা থোকখিবা নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোক্তা মীওই ৬ শিহনখিবা অদুগা বোর্দর ইস্যুগা মরী লৈনদে হায়না অসামগী চীফ মিনিষ্টর হিমন্ত বিস্ব সর্মনা ফোঙদোরকখিবগা লোয়নন্না থৌদোক অদুবু মীয়াম্না বোর্দর ইস্যুগা মরী লৈনহন্নবা হোৎনরকপা অসি লাইবক থিবনি হায়রি।

লাইবক থিবা থৌদোক অদুগা মরী লৈননা অসামগী চীফ মিনিষ্টর হিমন্ত বিস্ব সর্মনা ফোঙদোকখিবদা, মিজোরামগী ঙমখৈ শরুক্তা লৈবা মুক্রোদা অসাম পুলিসনা নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোক্তা মরাল লৈজদবা মীওই ৬ শিহনখিবগী থৌওং অদু য়াম্না হকচিন্না লৌই। থৌদোক অসিবু নেসনল মিদিয়া খরনা বোর্দর ইস্যুগা মরী লৈনহন্নবা হোৎনরকপা অসি লাইবক থিবনি। থৌদোক অদু বোর্দর ইস্যুগা মরী অমত্তা লৈনদে। পুলিস অমসুং খুঞ্জাশিংগী মরক্তা থোকখিবা থৌদোক্নি।

মেঘলায়া ঙমখৈগী শরুক্তা থোকখিবা থৌদোক অদু অসাম লৈঙাক্লা য়াম্না হকচিন্না লৌবগা লোয়নন্না থৌদোক অদুগী মতাংদা জুদিসিয়ল ইনক্কারী অমা চত্থবা হৌখ্রে। লাইবক থিবা থৌদোক অসি থিজিলহন্নবগীদমক কেস অসি সী বি আইদা শিন্নরগনি হায়না ফোঙদোকখিবগা লোয়নন্না গৌহাটি হায়কোর্টকী হান্নগী জষ্টিস রুমি ফুকানদা জুদিসিয়ল ইনক্কারী চথৱীনবা খঙহনখ্রে। ইনক্কারী অসি নুমিৎ ৬০ নিগী মনুংদা লোয়শিনগনি। ইনক্কারী কম্মিটিনা পীশিল্লকপা রিপোর্টতা থৌদোক অসিদা চেন্নরিবা অসাম পুলিসকী পর্সনেলশিং মরাল লৈরম্বা থেংনরবদি লোগী ওইবা এক্সন চপ চানা লৌগনি। অসাম পুলিসনা য়াম্না ফজবা মওংদা কন্ট্রোল তৌবা য়াবা ফিভম অমা লৈনা লৈনা নোংমৈ কাপখিবা অদু মথৌদা চেকশিনবা ৱাৎপনি হায়না লৌই। মীয়াম্নসু থৌদোক অসিগী মতাংদা চপ চাবা মরম খঙদ্রিঙৈদা ষ্টেট অনীগী মরক্তা য়েংথিনবা য়াবা থৌদোকশিং থোকহনবা য়াবা ৱাহৈ ৱাতাশিং সোসল মিদিয়াদা থাগৎপীগনু হায়না চীফ মিনিষ্টর হিমন্ত বিস্ব সর্মনা মখা তানা অপিল তৌরক্লি।



১১ শুবা সঙাই ফেষ্টিবেলগা মরী লৈননা এম এস এফ দি এসগী ওদিটোরিয়মদা সঙাই ফিল্ম ফেষ্টিবেল ২০২২গী থৌরম মৈরা চুখত্তুনা হৌদোকখিবা

# অৱাং নোংপোক ষ্টেটশিংদা ইন্দিয়ন নেভি বাইকর টিমনা বাইক রেল্লি চৎকনি



গুৱাহাটি, নভেম্বর ২৪ (এজেন্সি):
ইন্দিয়ানা মনিং মখা তম্বা লৈবাক অমা ওইরকখিবা চহী ৭৫ মপুঙ ফারকপগা লোয়নন্না লৈবাক অসিগী মফম কয়াদা পাঙথোক্তুনা লাক্লিবা অজাদিকা অম্রিত মহোতসবকী শরুক অমা ওইনা ইন্দিয়ন নেভিগী মোটোর বাইক টিম অমনা লৈবাক অসিগী অৱাং নোংপোক থংবা শরুক্তা লৈরিবা ষ্টেট খুদিংমক ফাওদুনা বাইক রেল্লি অমা চৎকনি হায়রি।

ওফিসল ওইবা রিপোর্ট অমগী মতুংইন্না মীয়াম্না সী রাইদর্স হায়রগা হেন্না খঙনরিবা ইন্দিয়ন নেভি মোটোর বাইক টিমনা চৎকদৌরিবা রেল্লি অসি হয়েং অয়ুক এদমাইরেল হরি কুমার চীফ ওফ দি নেভেল ষ্টাফনা ভিদিও কনফরেন্সিংগী খুত্থাংদা লমথাগনি। মোটার বাইক টিম অসিদা পুন্না বাইকর ৩১ না শরুক য়াগনি। বাইরকশিং অসিগী মনুংদা নুপী ওফিসর অনী য়াওরি। খোঙচৎ অসি নুমিৎ ২৪ নিগী ওইগনি অমদি পুন্না কিলোমিটর ৩,৫০০ কোভর তৌগনি হায়রি।

বাইক রেল্লি অসিনা লৈবাক অসিগী অৱাং নোংপোক থংবা শরুক্তা লৈরিবা ষ্টেটশিংগী মনুং হঞ্জিনবা মফমশিং অমদি মমিং লৈরবা মফমশিংদসু চৎকনি। রাইদরশিং অসিনা ইন্দো-বাংলা বোর্দর মনাক্তা চৎপা মতমদা মমিং লৈরবা উনাকোটি স্কল্পচরশিং য়েংগনি। অমদি মালেমগী অমত্তা ঙাইরবা ঈশিংদা তাউদুনা লৈবা কৈবুল লমজাও নেসনল পার্কতা ভিজিট তৌগনি অমসুং হোর্নবিল ফেষ্টিবেল য়েংগনি। রেল্লি অসিদা অৱাং নোংপোক ষ্টেটশিংগী কেপিটেল সীটিশিং গুৱাহাটি, শিল্লোং, ইম্ফাল, আইজোল অমসুং কোহিমা ফাওগনি। মসিগী মথক্তা অৱাংবা অলটিট্যুদতা লৈরিবা সেলা অমসুং বুম লা পাসেস ফাওরগা চৎকনি। খোঙচৎ অসিগা মরী লৈননা সী রাইদরশিংনা মহৈরোয়শিংগা ইন্টরেক্ট তৌগনি হায়রি।

# ‘রঞ্জিৎ বোরা হাৎপদা চেন্নবশিংগী মরী মখোঙ তাকপা ঙম্বা মীওইদা লুপা লাক্ষ ২ গী মনা পীগনি’

গুৱাহাটি, নভেম্বর ২৪ (এজেন্সি):
থা অসিগী ২১ দা দাইরি ফার্ম অমগী মপু রঞ্জিৎ বোরাবু নোংমৈনা কাপ্পুনা হাৎলমখিবগী থৌদোক অদুদা চেন্নবা মীওইশিংগী মরী মখোঙ তাকপা ঙম্বা মীওইদা লুপা লাক্ষ ২গী মনা পীগনি হায়না অসাম পুলিসনা লাউথোকখ্রে।

হিরম অসিগা মরী লৈননা গুৱাহাটি পুলিসনা ফোঙদোকখিবদা, থা অসিগী ২১ দা পঞ্জাবারী এরিয়াদা রঞ্জিৎ বোরাবু মশক খঙদবা মীওই খরনা মহাক্না তোংলকখিবা কার অদুদা নোংমৈ কাপশিন্দুনা হাৎলমখিবনি। রঞ্জিৎ বোরা বেঙ্ক চৎপগী লম্বীদা হান্না লৈরম্বা মীওইশিং অদুনা নোংমৈ কাপশিন্দুনা হাৎলবা মতুং মহাক মশাগা লোয়নরকখিবা লুপা লাক্ষ ৫ পুদুনা মফম অদুদগী চৎখিবনি। থৌদোক অসিদা চেন্নরিবা মীওইশিংগী মরী মখোঙ তাকপা ঙম্বা মীওইশিংদা পুলিসনা লুপা লাক্ষ অনীগী মনা পীবগা লোয়নন্না মখোয়গী আইদেন্টিটি অরোনবা ওইনা থমগনি। মরী মখোঙ খঙবা মীওইশিংনা ৱাটসএপ নম্বর ৬০২৬৯০১২৪৭ দা পাউ পীরকপা য়াগনি হায়রি।

অমরোমদা গুৱাহাটিগী পুলিস কম্মিস্নরনা ফোঙদোকখিবদা, মীহাৎ অসি লালহৌবগা মরী লৈনবা মীহাৎ মান্দে। লৈখিদ্রবা রঞ্জিৎকী মশাদা য়াওরকখিবা শেনফমশিং অদু পাম্বদগী চত্থিবা ওইরম্বা য়ানা লৈরি। থৌদোক অসিদা চেন্নরিবা মীওইশিং অথুবা মতমদা ফাদুনা চৈরাক পীগনি হায়রি। অদুবু ঙসি ফাওবদা মী অমত্তা ফাবা ঙমদ্রি।

# এন পি এফনা মথং চহীগী এসেমব্লি মীখলদা অহেনবা মীৎয়েং থল্লি

কোহিমা, নভেম্বর ২৪ (এজেন্সি):
মথং চহীদা পাঙথোক্কদৌরিবা নাগালেন্দ ষ্টেট এসেমব্লি মীখলগী মাঙওইনন্না নাগা পিপলস ফ্রন্টনা অমুক হন্না ষ্টেট অসিদা পৱার পায়বা ঙম্নবা অকনবা মওংদা হোৎনবা হৌখ্রে হায়রি।

এন পি এফকী প্রসিদেন্ট অমসুং হান্নগী চীফ মিনিষ্টর ডা. শুরহোজেলি লিজিতসুনা ফোঙদোকখিবদা, মথং চহীদা পাঙথোক্কদৌরিবা ষ্টেট এসেমব্লি মীখল অসিদা এন পি এফনা হান্নগুম চাওনা মায় পাক্তুনা অনৌবা লৈঙাক অমা শেম্বা ঙম্নবা হোৎনগনি। মমাংদা এন পি এফকী লৈঙাক্তা মীয়াম্না থাজবা কয়া থমখি। অদুবু মমাংগী টর্মদা পাঙথোকখিবা ইলেক্সনদা অরানবা কয়া তৌখিবনা মরম ওইরগা এন পি এফ মায়থিবা নংহৌখিবনি। মমাংগী মীখলদা এন পি এফনা সীট ২৫ দা মায় পাকখিবনি অদুবু মশাগী ওইজবা থিবা মীওই ২১ না লৈঙাক পায়রিবা এন দি পি পিদা য়াওশিনখিবনি হায়রি।

# মোবাইল লৈবীয়ু য়াদবগীদমক মচানা মমা হাৎখ্রে

দিব্রুগর, নভেম্বর ২৪ (এজেন্সি):
তাবদা য়াম্না নুংঙাইতবা অমদি থাজদবা থৌদোক অমা ওইনা ঙসি চহী নৌরিবা নুপামচা অমনা মমাবু মচিন তুম্বা পোৎশক অমনা থিন্দুনা হাৎখ্রে হায়রি।

পুলিসকী রিপোর্ট মতুংইন্না থৌদোক অসি অসামগী মনুং চনবা চংমাই গাউনদা থোকখিবনি। জিনতু দাস কৌবা নুপামচা অসিনা মমাদা অনৌবা মোবাইল অমা লৈনবগীদমক হায়খি। অদুবু মমানা মোবাইল লৈনবা শেনফম পীয়ু য়াদে হায়বগীদমক মচিন তুম্বা পোৎশক অমনা মহাক্কী মমাবু থিন্দুনা হাৎখিবনি। মদুগী মতুং লুপা ১৬,০০০ পুরগা মফম অদুদগী চেনখিবনি।

থৌদোক অসিদা লৈখিদ্রবী ভিক্টিম অসিগী মমিং রেনু দাস কৌই। অমরোমদা থৌদোক অসিদা চেন্নরিবা জিনতু দাস মফম খঙদনা লোৎখিবদগী পুলিসনা অকনবা মওংদা চত্থিবা থি হুম্বগী থৌদোক্তা দিব্রুগরগী চান্দমরি ঘাটতা লোত্তুনা লৈরম্বা থেংনবদগী ফারে হায়রি।

# মুক্রো ফায়রিংদা লৈখিদ্রবা ইমুং মনুংগী মীওইশিংদা লুপা লাক্ষ ৫/৫ পীরগনি : টি এম সী

শিল্লোং, নভেম্বর ২৪ (এজেন্সি):
থা অসিগী হৌখিবা ২২ দা মেঘলায়াগী ঙমখৈ শরুক্তা লৈবা মুক্রো খুঙ্গংদা থোকখিবা অসাম পুলিসনা নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোক্তা মীওই ৬ শিহনখিবগী থৌদোক অদুবু নুংঙাইতবা ফোঙদোরকখিবগা লোয়নন্না লৈখিদ্রবা মীওইশিং অদুগী ইমুং মনুংগী মীওইশিংদা এক্স-গ্রেসিয়া ওইনা ট্রিনামুল কোংগ্রেসনা লুপা লাক্ষ ৫/৫ পীরগনি হায়রি।




ট্রিনামুল কোংগ্রেসকী সিনিয়র লীদরসু ওইরিবা মেঘলায়াগী ওপোজিসন লীদর মুকুল সংমানা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি। মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, ট্রিনামুল কোংগ্রেসনা মতম পুম্বদা অৱাবা তারবা মীওইশিংগীদমক লেপ্পুনা লাক্লি অমদি মখা তানা লেপখিগনি। লাইবক থিবা থৌদোক অদুদা লৈখিদ্রবা মীওইশিং অদু মরাল লৈজদবা মীচম ঙাক্তনি। মরম অদুনা লৈখিদ্রবা মীওইশিং অদুগী ইমুং মনুংদা লুপা লাক্ষ ৫/৫ গী মতেং পীনবা ফিরেপ অসি লৌখিবনি।

থৌদোক অসিগী মতাংদা মেঘলায়া পুলিসতা কেস অমা লৌখৎনবসু হায়খ্রে। মমাংদা অসিগুম্বা পামদবা থৌদোক কয়ারক হন্না থোকখ্রে। মরম অদুনা হৌজিক তুমিন্না লৈশিনবগী মতম ওইদ্রে। থৌদোক অসিদা চেন্নরিবা মীওইশিং ফাবগা লোয়নন্না মেঘলায়াদা শিন্নরক্ল বা হান্নগী চীফ মিনিষ্টর অসিনা দিমান্দ তৌখিবগা লোয়নন্না ষ্টেট অসিগী লো মতুংইন্না মখোয়গী মথক্তা ৱায়েল চত্থনবগী অয়াবা পীগদবনি হায়রি।

অসাম অমসুং মেঘলায়া গভর্নমেন্ট অনীমক্না মখা তানা অসিগুম্বা পামদবা থৌদোকশিং অসি থোকহন্দনবা অমদি লো এন্দ ওর্দরগী ফিভম কায়হন্দনবা হোৎনগদবনি হায়রি। পনবা য়াবদি থৌদোক অদুদা শিখ্রবা মীওইশিংগী মনুংদা ৫ দি মেঘলায়াগীনি অদুগা অমনা অসামগী ফোরেষ্ট গার্দনি।

## CROSSWORD-3712



**ACROSS**

1 Crush flat (6)
4 Prose compositions (6)
8 Subsequently (5)
9 Offspring (7)
10 Not easily disturbed or angered (7)
11 Conductor's stick (5)
12 Six (4,5)
17 Additional (5)
19 Eminent (7)
21 Sports arena (7)
22 Item of cutlery (5)
23 Vast desert of North Africa (6)
24 Team game (6)

**DOWN**

1 Weighing machine (6)
2 Falsehood (7)
3 Bush (5)
5 The entertainment business(7)
6 Representative (5)
7 Espionage (6)
9 Assumed name (9)
13 Having more foliage (7)
14 Nine iron, in golf (7)
15 Sumptuous meals (6)
16 Crunchy salad vegetable (6)
18 Garbage (5)
20 Capital of Japan (5)

**Solution 3711**

| | | | | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| F | L | A | X | | M | A | R | R | I | A | G | E |
| L | | W | | A | | I | | E | | U | | V |
| A | M | A | T | E | U | R | | P | I | S | T | E |
| U | | K | | G | | M | | E | | T | | R |
| T | H | E | R | E | | A | S | L | E | E | P | |
| I | | | | A | | N | | | | R | | R |
| S | A | Y | I | N | G | | B | R | E | E | Z | E |
| T | | E | | | | R | | E | | | | T |
| | M | A | T | U | R | E | | A | D | D | E | R |
| A | | R | | P | | G | | L | | R | | I |
| R | U | N | U | P | | R | E | L | I | E | V | E |
| G | | E | | E | | E | | Y | | G | | V |
| O | B | D | U | R | A | T | E | | I | S | L | E |

SOLUTION ON NEXT ISSUE

# HUEIYEN SUDOKU

**Hueiyen Sudoku-5010**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | | | | 3 | | 9 | 1 | 7 |
| 3 | | | | | | 8 | | |
| 5 | | | 9 | | | 4 | | |
| 2 | 5 | | | | 4 | | | 8 |
| | | | 8 | | 2 | | | |
| 1 | | | 5 | | | | 6 | 2 |
| | | 7 | | | 3 | | | 4 |
| | | 3 | | | | | | 9 |
| 9 | 2 | 5 | | 4 | | | | |

**Solution-5009**

Fill in the empty fields with the numbers from 1 through 9
Every row must contain the numbers from 1 through 9
Every column must contain the numbers from 1 through 9
Every 3x3 square must contain the numbers

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 3 | 1 | 8 | 6 | 7 | 4 | 2 | 5 | 9 |
| 5 | 6 | 7 | 9 | 2 | 1 | 4 | 8 | 3 |
| 9 | 2 | 4 | 8 | 5 | 3 | 1 | 6 | 7 |
| 2 | 7 | 6 | 1 | 4 | 8 | 9 | 3 | 5 |
| 8 | 3 | 5 | 2 | 9 | 6 | 7 | 1 | 4 |
| 4 | 9 | 1 | 5 | 3 | 7 | 8 | 2 | 6 |
| 1 | 4 | 3 | 7 | 6 | 2 | 5 | 9 | 8 |
| 7 | 8 | 9 | 3 | 1 | 5 | 6 | 4 | 2 |
| 6 | 5 | 2 | 4 | 8 | 9 | 3 | 7 | 1 |

# EMPLOYMENT NEWS

## NRCM DIMAPUR RECRUITMENT 2022 FOR 4 YOUNG PROFESSIONAL

National Research Centre on Mithun (NRCM) Young Professional Recruitment 2022
Advertisement for the post of Young Professional in the National Research Centre on Mithun (NRCM). Candidates are advised to read the details, and eligibility criteria mentioned below for this vacancy. Candidates must check their eligibility i.e. educational qualification, age limit, experience and etc. The eligible candidates can submit their applications directly before 5th December 2022. Candidates can check the latest National Research Centre on Mithun (NRCM) Recruitment 2022 Young Professional Vacancy 2022 details and apply online at nrcmithun.icar.gov.in/ recruitment 2022 page.
India Gk in English | 30 India Quiz General Knowledge objective Questions and Answers | Part 1
The National Research Centre on Mithun (NRCM) Recruitment Notification & Recruitment application form is available @ nrcmithun.icar.gov.in/. National Research Centre on Mithun (NRCM) selection will be done on the basis of tests/interviews and shortlisted candidates will be appointed to Nagaland. More details of nrcmithun.icar.gov.in/ recruitment, new vacancies, upcoming notices, syllabus, answer key, merit list, selection list, admit card, results, upcoming notifications and etc. will be uploaded on the official website.
Young Professional
Job Location:
Medziphema, Dimapur, 797106 Nagaland
Last Date: 5th December 2022
Employment Type: Full-time
Number of Vacancy: 04 Posts
Educational Qualification: Candidates Should have B.Com / BBA / BBS with Minimum of 60% Marks with a Minimum of One Year of Working Experience in the relevant Field.
Pay Scale:
INR
25000-35000/- Per Month
Age Limit: 21-45 Years.
Selection Process: please refer to official notification.
Application Fee: please refer to official notification.
How to Apply:
For Further Details, Interested Candidate May Visit the Institute Website: https://nrcmithun.icar.gov.in/, This Job Source is Employment News 19-25 November 2022, Page No.45.
Important Dates:
Published on: 17th November 2022
Last date for application is: 5th December 2022
For more details, please refer to official notification at Download Official Notification

## GAUHATI HIGH COURT INVITES APPLICATION FOR 4 DRIVER RECRUITMENT 2022

Gauhati High Court Driver Recruitment 2022: Advertisement for the post of Driver in Gauhati High Court. Candidates are advised to read the details, and eligibility criteria mentioned below for this vacancy. Candidates must check their eligibility i.e. educational qualification, age limit, experience and etc. The eligible candidates can submit their application directly before 07 December 2022. Candidates can check the latest Gauhati High Court Recruitment 2022 Driver Vacancy 2022 details and apply online at the ghconline.nic.in/ recruitment 2022 page.
DOST Scholarship 2022 - Qualifications, Requirements and How to Apply
Gauhati High Court Recruitment Notification & Recruitment application form is available @ ghconline.nic.in/. Gauhati High Court selection will be done on the basis of test/interview and shortlisted candidates will be appointed at Assam. More details of ghconline.nic.in/ recruitment, new vacancy, upcoming notices, syllabus, answer key, merit list, selection list, admit card, result, upcoming notifications and etc. will be uploaded on official website.
Vacancy Circular No:
Gauhati High Court
invites applications for recruitment of Driver
Driver
Job Location:
Guwahati, Kamrup, - Assam
Last Date: 07 December 2022
Employment Type: Full Time
Number of Vacancy: 4 Posts
Gauhati High Court
Gauhati High Court Recruitment 2022 Details
Company Gauhati High Court
Job Role Driver
Education Requirement
Total Vacancy 4 Posts
Job Locations Guwahati
Experience Fresher
Salary 14000 - 60500(Per Month)
Posted on 18 Nov, 2022
Last Date To Apply 07-12-2022
Educational Qualification: Matriculation or Equivalent. Must Possess a Valid Driving License.
Experience: Please refer to official document
Skills / Eligibility
Pay Scale:
INR
14000 - 60500(Per Month)
Age Limit: 40 Years.
Selection Procedure
Candidates will be selected based on written test/personal interview/ medical test/walkin interview. Once a candidate is selected they will be placed as Driver in High Court of Gauhati.
How to Apply:
The application process for High Court of Gauhati Recruitment 2022 is explained below,
Step 1: Visit the High Court of Gauhati official website ghconline.gov.in
Step 2: On the website, look for a for High Court of Gauhati Recruitment 2022 notifications
Step 3: Before proceeding, read the notification completely
Step 4: Check the mode of application and then proceed further
Important Dates:
Published on: 19 November 2022
Last date for application is: 07 December 2022
For more details, please refer to official notification at Download Official Notification

